# চহী ৬০ গী মনুংদা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ১৩ পীরম্বদু চহী ৪ খক্তদা ক্রোর ১০ পীরে ঃ *পি এম*



***ন্যু দিল্লি, মে ২৮ ঃ***

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংখিবা হেক মতুংদগী চহী ৬০ গী মতমদা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ১৩ পীখি। অদুবু হৌখিবা চহী ৪ খক্তদা লায়রবা নুপীশিংদা ক্রোর ৪ য়াওনা পূন্না এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ১০ পীখ্রে হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি উজৱালা যোজনাগী মখাদা লেম্না চাক থোংনবা গ্যাসকী কনেক্সন ফংবা নুপী বিনিফিসরিশিং খরগা ভিডিও–কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ৱারী শান্নবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী মমানা শীংনা নৎত্রগা শন্থিনা চাক থোংবদগী থোরকপা মৈখু খাঙবা ঙমখিদবা মতমদা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনখিবা ফিভম অদু নীংশিংখি। মরম অদুনা চাকখুমগী মৈখুদগী নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংবু ঙাকথোক্লবগীদমক ইকুই কুইদবা তূংদা মাগী গভর্ণমেন্টনা ইমুং চাম্মদা চাম্মা ক্লিন ফুয়েল পীবা হেনগৎলগনি।

২০১৪ ফাওবদা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ১৩ খক পীখি। মদু অয়াম্বনা ইনাক–কৈরাক খুনবা ইমুংশিংদনি। হৌখিবা চহী ৪ দা ঐখোয়না অয়াম্বনা লায়রবশিংদা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ১০ পীখ্রে।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ১.৩ মতম চাদনা শিহল্লি হায়রিবা শীং অমসুং অকংবা শন্থিগুম্বা অসি শীজিন্নবা হন্থনবা পান্দমদা মথং চহী অহুমদা খ্বাইদগী লায়রবা ইমুংশিংগী নুপীশিংদা চাকথোং–গ্যাস ক্রোর ৫ লেম্না কনেক্সন পীনবা স্কিম অসিনা পান্দম থল্লি। স্কিম অসি মে ২০১৬ দা হৌদোকখিবনি।

২০১৭ তা ইন্দিয়াগী ইমুংগী চাদা ৭২.৮ এল পি জি গ্যাস পীবগী মথক্তা ২০১৯ মার্চ ফাওবদা ইমুংগী চাদা ৮০ পীবা ঙম্নবা ইন্দিয়াদা পান্দম থল্লি। চাম্মদা চাম্মা স্কিম অসিনা কোনশিন্নবা অকক্লবা নুমিত্তি প্রাইম মিনিষ্টরনা পনখিদে।

স্কিম অসি ফংনবা সোসিও–ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সস (এস ই সি) গী মখাদা য়াওরিবশিং অদুগী মথক্তা হৌজিক্তি উজৱালা যোজনা অসিনা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব ইমুংশিং, খ্বাইদগী শোত্থবা কাঙবুশিং, প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (গ্রামিন), অন্টিয়োদা অন্না যোজনা, ফোরেষ্ট দুয়েল্লর, তুরেল অমসুং তুরেলগী ঈথৎশিংদা খুন্দাবা মীওইশিং লোয়নমক কোনশিনগনি।

উজৱালা যোজনা অসি ইন্দিয়াগী নুপীগী শক্তিগীদমক হেন্না হকচাং ফবা পুরক্লবনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

## য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী পি এম কেন্দিদেট রাহুল গান্ধী ওইরোই ঃ *এ পি মিনিষ্টর*

***বিজয়াৱাদা, মে ২৮ ঃ***

অন্ধ্র প্রদেশ মিনিষ্টর কালাভা শ্রীনিভাসুলুনা ঙসি হায়খ্রে, ২০১৯ গী মীখল অসিগী মমাঙদা করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা লৈরকপা তারবদি রাহুল গান্ধীনা মদুগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইবা টি দি পি না য়াবা ঙম্লোই।

কংগ্রেসকা টি দি পি গা কৈদৌঙৈদা পুনশিন্নরোই। প্রাইম মিনিষ্টর অদু বি জে পি দগী নৎত্রগা কংগ্রেসতগী ওইরোই হায়বসি ঐখোয়না চাম্মদা ১০০ শেংনা হায়রিবসিনি। কংগ্রেস শৌগৎপগা লোয়নননা করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেম্বা ঙম্লকপা তারবসু রাহুল গান্ধীনা মদুগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল ফেস ওইরোই হায়না মহাক্না হায়খি।

অন্ধ্র প্রদেশ মিনিষ্টর শ্রীনিভাসুলুগী ৱাফম অসি কর্নাটকাদা কংগ্রেস–জে দি (এস) এলাইয়েন্সকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঐচ দি কুমারাস্বামি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা রিজনেল পার্টি কয়ামরুমগী লুচিংবশিংগা লোয়নননা অন্ধ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর অমসুং টি দি পি চীফ চন্দ্র বাবু নাইদুনা ষ্টেজ অমদা পূন্না ফম্মিন্নখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা ফোঙদোরকখিবনি।


২০১৯ গী লোক সভা ইলেক্সন মতূংদা রিজনেল পার্টিশিংনা সেন্টরদা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি। মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর অদু কনা ওইগদগে হায়বদু টি দি পি না লেপকনি হায়না টেলুগু দেসাম পার্টিগী নুমিৎ হুম্নিগী চহীগী মীফম মহানাদু থৌরমগী নাকন্দা পাউমীশিংগী হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

মার্চ থাদা টি দি পি না এন দি এ গভর্ণমেন্টতগী তোক্লকখি মদু অন্ধ্র প্রদেশতা সেন্টরনা স্পিসিয়েল ষ্টেতস পীয়ু য়াদবদগীনি। টি দি পি না চহী মরি এন দি এ গভর্ণমেন্টতগী থোক্লক্তবগী মরম করিনো হংবদা মহাক্না হায়খি, সেন্টরদা ঐখোয়না মতেং তাংজদুনা লৈবা মরম্না ঐখোয়না ঙল্লিঙৈ মতমদা শৌগৎপা তোক্তবনি। ঐখোয়না মদু তৌবা তারবদি ষ্টেট অসি য়াম্না ৱাগনি। সেন্টরনা অন্ধ্র প্রদেশতা শকখিবা ৱাশকশিং অদুগী য়েংদুনা ঐখোয়না চহী মরি ঙাইরকপনি।

টিলুগু দেসাম পার্টিগী লুচিংবা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুবু কংগ্রেস অমসুং বি জে পি গী ওলটর্নেটিভ ওইনা রিজনেল পার্টিশিং খরনা শেম্নবা খল্লিবা থার্দ ফ্রন্ট অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্কদ্রা হায়বা ৱাহং অদুগী পাউখুমদা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, চন্দ্রবাবু নাইদু মশামক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইননবগী লমজেল অদু য়াওবগী ৱাফম লৈতে হায়খ্রবনি। অদুবু টি দি পি না নিংথৌ শেম্বগী থৌদাং লৌগনি।

## পাকিস্টান্না হান্নগী চীফ জষ্টিস অমবু ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রে

***ইস্লামাবাদ, মে ২৮ ঃ***



পাকিস্টানগী জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন মাঙওইননা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা পি এম এল–এন অমসুং ওপোজিসনগা পোলিটিকেলগী ইরাং লোয়শিল্লদুনা লৈবাকসিগী হান্নগী চীফ জষ্টিস নাসির উল মুল্কপু ঙসি ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর হাপ্পগী ৱারোল অদু হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা অব্বাসি অমসুং নেস্নেল এসেমব্লি স্পিকর অয়াজ সাদিকসু শরুক য়াখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ওপোজিসন লুচিংবা খুসিদ সাহনা লাওথোকখি। মশাগী চহী ৬৭ শুরবা নাসির উল মুল্কনা জুন ১ ইরাই নুমিত্তা ৱাশক লৌরবা য়াই। হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসি মে ৩১ দা মাগী মতম লোয়রগনি অমসুং ইলেক্সন পাঙথোল্লবা মতূং অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদ্রি ফাওবা ক্যারটেকর গভর্ণমেন্ট অসি লৈখিগনি।

ওপোজিসনগী লুচিংবা সাহনা ফোঙদোকপদা ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টরনা জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অদু ফ্রি, ফ্যার অমসুং ইমপার্সিয়েল ওইনা মায় পাক্না পাঙথোক্কনি থাজে হায়খি।

ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর কনাবু ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগা মীফম তরুকলক পাঙথোকখি।

ঐখোয়না দিমোক্রেটিক ওইবা ৱারেপ অমা লৌরে। ঐনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং স্পিকরবু খাঙবা কনবা অমসুং পূক্নীংগী ইহুল নাথৈরম্লবা ৱারেপ অসি লৌবগীদমক থাগৎলি। ঐনা পুথোকপা পাল্লিবা মীওই অদুগী মমিং অসিনা য়ামনা ইকাইখূম্ননিংঙাই ওইবনি হায়না পাকিস্টান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গী মরু ওইবা লুচিংবা অসিনা হায়খি। মহাক্না হায়খি, মমিং অদুদি চীফ জষ্টিস অমা ওইনা লৈরম্লবা নাসির উল মুল্কনি। জুদিসরিদা মহাক্না লৈরিঙৈ অমসুং উকিল অমা ওইরিঙৈদগী হৌনা ইতিহাসিক ওইবা থৌদাং কয়া লৌরকখ্রবনি।

মসিগী মমাঙদা হান্না ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবগীদমক মিং কয়ামরুম পুথোক্লুখি। মখোয়গী মনুংদা থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস তাকাদুক হুসেন জিল্লানি, হান্নগী ষ্টেট বেঙ্ক গভর্ণর ইস্রাট হুসেন, হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরী জলিল অব্বাস জিল্লানি অমসুং পাকিস্টান ক্রিকেট বোদকী হান্নগী চিয়ার্মেন জকা অস্রফনচিংবা য়াওরি।

## সাউথ চিনা সি–দা য়ু এস কী লানগী জহাজশিংনা ওপরেসন চত্থখিবদু বৈজিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

***বৈজিং, মে ২৮ ঃ***

য়েৎনরিবা সাউথ চিনা সি–দা বৈজিংনা মখোয়গীনি হায়রিবা ঈথৎ অমগী মনাক্তা য়ু এস কী লানগী জহাজ অনী চঙশিল্লক্তুনা ওপরেসন চত্থখিবা অদুবু চিনানা য়াম্না কন্না পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মরু ওইরবা ঈশিং লম্বী অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহনখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়েৎনরিবা পারাসেল আইলেন্দ চেনদা য়ু এস না লানগী জহাজ থৌজিল্লকপা অদুগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ লেপ্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখি।

ঈশিংগী লমদম অদুদা য়ু এস না মখোয়গী ওইবা করিগুম্বা ক্লেম অমত্তা তৌদ্রবসু মফম অদুদা বৈজিংনা মখোয়গী টেরিতোরিয়েল রাইটস চেৎশিন্নবা হোৎনরিবা অদুগী মায়োক্তা সাউথ চিনা সি–দা য়ু এস না 'ফ্রিদম ওফ নেভিগেসন' কৌবা খোঙচৎসিবু পাঙথোকখি।

য়ু এস নেভিগী হিগ্গিন্স অমসুং এন্টিতাম কৌবা লানগী জহাজ অনী অসিনা পার্মিসন য়াওদনা চিনাগী টেরিতোরিয়েল ৱাতরসতা চঙশিনখি অমসুং ভেরিফিকেসন এন্দ আইদেন্টিফিকেস ওফ য়ু এস সিপসকী থবক পাঙথোক্লিবা চাইনিস নেভিনা য়ু এস জহাজশিং অদু উন্নখি অমসুং লোগী মতূং ইন্না মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা মখোয়দা ৱার্নিং তৌখি হায়না চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। ঈশিং লমদম অদুদগী য়ু এস কী জহাজশিং অদু তাম্থোকখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা চলাইবা পাউগী এজেন্সি জিনহুৱানসু হায়খি।

বৈজিংনা মফম অদুদা মখোয়গী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা উৎনবা অমসুং লম অদু মখোয়গীনি হায়বগী ফিরেপ হেনগৎহন্নবা শক্তি উৎপা অমা ওইনা য়েৎনরিবা ঈথৎ অমদা ন্যুক্লিয়ার বোম্বরশিং পাইখিবদুগী চয়োল অমা খরা হেল্লকপদা য়ু এস কী থৌওং অসি চত্থরকখিবনি হায়রি।

## টুতিকোরিন প্লান্ট থিংজিল্লগনি ঃ তামিল নাদু সি এম পাউমীশিংদা 'হুইশিং' হায়রুবা লুচিংবা মফম লৌথোকখ্রে



***চেনাই, মে ২৮ ঃ***

টুতিকোরিনদা লৈরিবা ষ্টারলাইট প্লান্ট অদু অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গাশিংগী মতম শাংনদগী তাল্লক্লিবা দিমান্দ পীরদুনা তামিল নাদু চীফ মিনিষ্টর ই পলানিস্বামিনা থিংজিল্লগনি লাওথোকখ্রে।

কোপ্পর স্মেল্টিং প্লান্ট অদু থিংজিন্নবগী ৱারেপ অসি মীয়াম্না য়াম্না হকচিন্না খল্লিবা ৱাখল অদু ইকাইখূম্নদুনা পাঙথোকপনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

ষ্টারলাইটনা পোলুসন নোর্মশিং হন্না হন্না থুগাই মদুগী মরমনা অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা কেন্সের অমসুং অতৈ লায়নাশিং থোকপগী চাং ৱাংহল্লি হায়না এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

টুতিকোরিনদা লৈরিবা কোপ্পর স্মেল্টিং প্লান্ট অসিদগী কিলোমিটর অহুম্লোমতমক লাপ্পগা লৈবা শিলভরপুরম কৌবা খুঙ্গং অমদা য়ূম খুদিংদা কেন্সর লায়নানা নাবা অনাবা অমমম লৈবগা মান্নরে হায়রি।

চহী অহুমগী মমাঙদা মুরুগান কৌবা অমা কেন্সরদগী শিখি। মহাক্কী হেক থংনবদা লৈরিবা মিরা কৌবী অমগী মপুরোইবা সুবিয়াসু লীভর কেন্সরদগী হন্দক্তা শিখি। য়ূম খরখক কান্নরগা লৈবা হেলেন হেপসিবাহ কৌবা মীওই অসিসু কিদনিদা কেন্সর নাবদগী শিখি। চহী খরগী মমাঙদা হেলেনগী মরুপ এ রাজাসেলভিগী মমাসু য়ুটরিন কেন্সরদগী শিখি। মীওই ২০০ রোম লৈবা খুঙ্গং অসিদা ইমুং ৬০ দা কেন্সর নাবা অনাবশিং লৈ। লায়না অসিনা নারিবসি কোপ্পর প্লান্ট অদুনা থোকহনবনি হায়রি।

অমরোমদা কোপ্পর স্মেল্টিং প্লান্ট থিংজিন্নবগী দিমান্দ তৌবদা শোকখিবা প্রোটেষ্টরশিংবু ঙসি দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ও পানিরসেলবমনা উন্নবদা পাউমীশিং চঙবা য়াহনখিদবা অমসুং পাউমীশিংবু লম্বী লমজাউদা কোয়চৎ চৎপা 'হুইশিং' হায়রুবা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা এ আই এ দি এম কে গী লুচিংবা অমা ঙসি মহাক্না পায়বা পার্টিগী ফম পূম্নমক্তগী লৌথোকখ্রে। প্রোটেষ্ট অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৩ শিখিবনি।

পার্টিগী লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংদা হুই হায়রুবা অদু থুনমক লাল্লে হায়জখি। অদুবু মদু মতম থেংমনখ্রে। পার্টিনা খুদক্তা থবক লৌখৎতুনা মহাকপু পার্টিগী ফম পূম্নমক্তগী লৌথোকখ্রে। মীয়াম্না অশাওবা মায়োক্লরকপদগী রুলিং পার্টি অসিনা পার্টি লীদর অদুবু ফমদগী লৌথোকখিবনি।

## মালিদা জিহাদিষ্ট এটেকতা ২০ শিরে

***বামাকো, মে ২৮ ঃ***

নাইজেরিয়াগা তায়নবা ঙমখৈ মনাক্কী অৱাং নোংপোক মালিদা জিহাদিষ্টশিংনা চত্থরকপা ওইগনি চিংনবা এটেক অমদা মীচমশিং য়াওনা মীওই ২০ লোম শিরে হায়না পাউগী লীখুনসিনা ফোঙদোক্লি।

মীশি–মীনাগী থৌদোক অসি লমদম অসিদা রাইবেল আর্ম গ্রুপশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিংদা হন্দক থা খরা অসিদা ফুলানি অমসুং টুৱারেক কম্যুনিটিশিংদগী মীচম কয়া য়াওনা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রবগী মতূংদনি। এটেক অদু থাংজ নুমিত্তা চত্থখিবনি। এটেক চত্থরকখিবা মফম তলাতাইয়ে টাউনদা মফমদুগী ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা মীহাৎপশিং অদু গারী অহুমগা মোতোরসাইকল অমগদা মফমসিদা থুংলখিবনি হায়খি। মখোয়না উ অমগী মখাদা পোত্থাদুনা লৈরিবা মী কাঙবু অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মফমদুদা মীওই ৫ শিখি অমসুং ২ শোকখি।

হান্নদি লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা থোক্লম্বা হিংশা অদু হন্দক থা খরা অসিদা লৈবাক মনুংগী অমসুং মীরৈবাক্কী ফোর্সশিংদা পান্দম থমদুনা জিহাদিশিংনা মখোয়গী থবক কনখৎলকখিবনি।

অৱাং থংবা লমদম অসিদগী অল–কাইদাগা মরী লৈনবা জিহাদিশিং অসিবু তাম্থোকপদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা তেংবাংনবা ২০১৩ দা ফ্রান্সনা মালিদা মিলিটরি থাজিল্লকখি।

জিহাদিশিং অদু নাইতোম তাহন্দুনা ইস্থোকখিনবা পান্দমদা ২০১৫ গী ময়ায়দা ইথনিক টুৱারেগ লুচিংবশিংগা শান্তিগী য়ান্নরোল অমা সহি তৌনখ্রবসু লৈবাকসিগী অচৌবা শরুকশিংদি হৌজিকসু আইন লৈতবগী ফিভমদা অদুম্মক লৈরি। হিংশা অসি বরকিনা ফাসো অমসুং নাইজর অনীমক্তা শন্দোরকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট ইন দ গ্রেটর সাহরা (আই এস জি এস) কৌবা জিহাদিষ্ট গ্রুপ অসিনা ঙমখৈগী লমদম অসিবু মখোয়গী খ্বাইদগী ফবা চাক্তাফম অমা ওইনা শীজিন্নরি হায়না ফ্রেঞ্চ মিলিটরিনা হায়খ্রে।

## 'টেররগী থবক লেপত্রিমখৈ পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নরোই'

***ন্যু দিল্লি, মে ২৮ ঃ***

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী চহী মরি শুরকপগী থৌরম অদুগী মতাংদা ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা মহাক্কী চহী লোয়বা প্রেস কনফরেন্সতা ইন্দিয়াদা টেররগী থবক চত্থরক্লিবসি লেপত্রিবা মখৈ পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়খ্রে।

ৱারী শান্ননবগীদমক ঐখোয় থৌরাং তৌদুনা লৈ। অদুবু হায়হৌগদবা অমদি টেরর অমসুং ৱারী শান্নবা পূন্না চৎমিন্নবা য়ারোই। মতম পূম্নমক্তা মসি ঐখোয়গী ফিরেপনি হায়না স্বরাজনা ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা হায়খি।

ঙসি দিল্লিদা মেরিটাইমগী মতাংদা পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী মতাংদা লেপ্পা ফিরেপ হান্নদগী খোঙফম হন্দোক্লক্লবরা হায়না মঙোন্দা হংলকখিবনি।

হৌখিবা চহীদা কুলভুসন যাদব কৌবা ইন্দিয়াগী বন্দি অমগী মতাংদা উংখৎনবদগী ইন্দিয়ানা মেরিটাইমগী ৱারী শান্নবা তোকখিবনি। অদুবু লৈবাক অনীসিনা হৌখিবা থাদা ৱারী শান্নবদু হৌখি।

পোলিসিদা মপূং ওইবা অহোংবা লৈতে হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা চেৎনা পনখি। ঙমখৈদা ফোঙ–ফোঙ শারিঙৈ, লান্মীশিং শিরিঙৈ, ঐখোয়না পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নবা ঙম্লোই। ৱারী শান্নবা তারবসু টেররদুগী মতাংদা শান্নগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইস্লামাবাদনা গিলজিৎ–বালটিষ্টান ওর্দর হায়বা অমা থোকখিবা অদুগী মতাংদা পাকিষ্টানগী দিপ্যুটি হায়–কম্মিস্নার সায়েদ হাইদর সাহবু নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্দিয়াদা কৌখৎখ্রে অমসুং টেরিতোরি অদুগী মচেৎ অমত্তবু নমদুনা খুদুম চনবা য়ারোই হায়না মঙোন্দা খঙহনখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা থোকপা চেরোল অমদা হায়খি, গিলজিৎ–বালটিষ্টান হায়রিবা মফমশিংদসু য়াওরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেট পূম্বসি ১৯৪৭ তা তৌনখিবা এক্সেসন অদুগী মরমদগী ইন্দিয়াগী থাদোকপা য়াদবা শরুক অমনি হায়খি।

মে ২১ দা থোকখিবা ওর্দর অদুগী খুত্থাংদা পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খাকান অব্বাসিনা লমদম অদুগী থবক থৌরমশিংগীদমক লোকেল কাউন্সিলদগী অহেনবা ওথোরিটি পায়শিনখি। ওর্দর অদু য়েৎনরিবা লমদমসিবু পাকিষ্টানগী মঙাশুবা প্রোভিন্স ওইনা লৌশিন্নবগীদমক চত্থবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরি। আইনগী মায়োক্তা খুদুম চল্লিবা মফম পূম্নমক পাকিষ্টান্না খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি।

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants

RESONANT TUTORIALS

Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21st June, 2018

Last Date of Admission : 19th June, 2018

Special features:

- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 09/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 06/04/18
Valid : 05/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 23/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 761.50/-

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 02/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 24/04/18
Sl. No. 7950
Valid : 19/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane**
Booking : 28/04/18
Valid : 25/04/18
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Miso Gas Service**
Booking : 16/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 30/05/18
Valid : 27/05/18
Sl. No. 16588
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 17/04/18
Sl. No. 5381 to 5790
Valid : 16/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 15/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 24/05/18
Sl. No. 14750
Valid : 01/12/17
Sl. No. 145-97
Stk : 306/19kg 95

**Athokpam Indane**
Booking : 16/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Phayeng Gas**
Booking : 28/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 24/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 04/04/18
Valid : 25/03/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Heingang Gas**
Booking : 23/05/18
Valid : 07/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 29/04/18
Valid : 21/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 04/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**R & H Indane Service**
Booking : 04/04/18
Valid : 13/03/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৮০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 9 | 2 | 6 | 8 | 3 | 5 | 7 | 4 |
| 4 | 3 | 5 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 9 | 5 | 3 | 2 | 1 |
| 7 | 2 | 4 | 9 | 3 | 1 | 8 | 5 | 6 |
| 9 | 6 | 8 | 2 | 5 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| 5 | 1 | 3 | 7 | 6 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 3 | 4 | 9 | 5 | 1 | 6 | 7 | 8 | 2 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 |
| 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 9 | 6 | 1 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1181**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | | 2 | | 8 |
| 1 | 2 | | | 9 | | 5 | 6 | |
| | | | 3 | 6 | 2 | | | |
| | | | | | 6 | | 2 | |
| | | 2 | | | 4 | | | |
| 9 | | | | | | 6 | 3 | |
| 2 | | 8 | | | | 7 | | 4 |
| 3 | | 5 | | | | | | |
| 4 | | | | | | | | 2 |